# সুপ্রিম কোর্টনা পোল্যুসনগী মতাংদা য়ু পি, হরিয়ানা, পঞ্জাব, দিল্লিদা নোটিশ থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা পোল্যুসনগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টতা নোটিশ থাখ্রে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি ইমর্জেন্সিগা মান্নরে হায়না পল্লদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, খূদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগীমক মরী লৈনবা পূম্নমক্কা খূদক্তা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎফম থোকই। অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা হন্দক মরক নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তাখি।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, দিল্লি অমসুং অকোয়বগী মফমশিংদা পোল্যুসনগী ৱাথোক কোকহন্নবগী-দমক মপূং ফাবা থৌরাং অমা লৌখৎপা তঙাইফদ্রে।

ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিটশিংদা মৈখূ থোকহনবা লেপহনগদবনি হায়রিবসি দিল্লি খক্তদা নৎতনা রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ অমদি হরিয়ানাদসু ঙাক্কা চৎকদবনি। অৱাং থংবা ইন্দিয়া, মরুওইনা দিল্লিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মীওইবগী হকশেলদা চাওনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরে। পোল্যুসনগী চাং হন্থহন্নবা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপদা কান্নবা ফংদ্রে। দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্দুনা লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ী মশীং হন্থহল্লবসু পোল্যুসন থোকপগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি দিল্লি গভর্ণমেন্টনা রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না হয়েং হিয়ারিং চত্থগদৌরি।

নবেম্বর ১১ দা এন জি টিনা ওদ-ইভন স্কিমগী মতাংদা লাউথোকখিবা থৌরাং শেমদোকপীনবা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ঙসি রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সনা নেৱার্ক-তগী দিল্লি তম্না পাইগদবা ফ্লাইটশিং মতম খরগী ওইনা লেপহনখ্রবনি।

পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না ফ্লাইট সার্ভিস লেপহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ এয়রলাইন্সগী স্পোক্সপার্সন অমনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী মফম পূম্নমক লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকখি। দিল্লিগী লোধি রোদ এরিয়াদা পার্টিক্যুলেট মেট্টরগী চাং ৫৬০ য়ৌরকপগা লোয়ননা মীওইবগী হকশেলদা কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইরে হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

পোল্যুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী দিল্লিদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না পব্লিক হেল্ঠ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবনি। আই এম এনা স্কুলশিং থোঙ লোনশিনবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোরক্তনবা খঙহনখি।

নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা মরম্না নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়রটেল দিল্লি হাফ মরাথোন কেন্সেল তৌগদবনি হায়না দোক্টরশিংগী এসোসিএসন অসিনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রবনি।

# গুজরাটতা মায়থীগনি কিবদগী মোদিনা জি এস টিগী চাং হন্থহনখিবনি : শিব সেনা



মুম্বাই, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): মমাঙ চয়োলদা জি এস টি কাউন্সিলনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ২০০ রোমদা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থহনখিবা অদু ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা মায়থীগনি হায়না চিংনবদগী লৌখৎখিবা থৌরাংনি হায়না শিব সেনানা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টরদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা শিব সেনানা হায়খি, লৈবাক্কী মীপূম খূদিংমক্কা মপূং ফানা শৌগৎলকপা মরম্না জি এস টিদা শেমদোক-শেমজিন তৌবগী ৱাফম লৈরোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ২০০ রোমদা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থহনখিবদু বি জে পিনা মীখলদা মায়থীগনি হায়না কিবদগীনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মশাগী পোক্কফম লমদম ওইরিবা গুজরাটতা পাঙথোক্কদবা থৌরম ৫০ রোমদা ৱা ঙাঙগদৌরি। মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্কবগীদমক বি জে পিনা শেল কয়ামরুমসু থাদগদৌরি। য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং গুজরাটতা লাক্তুনা ভোট খোম্বগী থৌওং চত্থরি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু মীখলদা মায়থীবা য়াই হায়না চিংনবদগী বি জে পিনা পোৎলম খরদা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থহনখিবনি হায়না শিব সেনানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জি এস টিগী মখাদা চপ মান্নবা মওংদা টেক্স লৌনবগী মতাংদা এন দি এ গভর্ণ-মেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসি ইন্দিয়াগুম্বা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা চুশিন্নবা ৱাংলি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিশ ভেনকটে গোপালা গৌদানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না খ্বাইদগী ফীভম শোত্থহৌরবা মীওই কাঙলূপশিং মশক খঙদোকপগী থৌরাং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎকদবনি। মাগী-মাগী ষ্টেটতা চানগদবা মওংদা টেক্স লৌদুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা জি এস টি চৎনহনবনা লৈবাক অসিদা থোইদোক্না কান্নবা পুরক্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জি এস টি কাউন্সিলনা চোকলেট, চ্যুৱিং গম, শেম্পূ, দিওদোরেন্ট, শূ পোলিশ, দিটর্জেন্ট, ন্যুট্রিসন দ্রিঙ্কস, মার্বল অমদি কোস্মেটিকনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়াদা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থহনখ্রবনি। অনৌবা টেক্সকী রেট অসি নবেম্বর ১৫দগী চৎনবা হৌরগনি।

রেষ্টোরেন্ট অমদি হোটেলশিংগী রেট চাদা ৫ দা লেপখিবগা লোয়ননা মপান্দা চাক চাবগী মমল হন্থরগনি। কা অমদা লুপা ৭,৫০০ লৌবা হোটেলশিংদগী লৌগদবা জি এস টিগী চাং চাদা ৫ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

চাদা ২৮ গী চাংদা টেক্স লৌগদবা পোৎলম ২২৭ লৈরি। ফিটমেন্ট কম্মিটিনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু শুপ্নগী ৬২দা হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হৌজিক্তি চ্যুৱিং গম, চোকলেট, নুপীনা শীজিন্নরিবা অকে-অমৌগী পোৎলম, কোই ফানবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম, দিওদোরেন্ট, ৱাশিং পাওদর, ফিশু সাপোন, গ্রেনাইদ অমদি মার্বলনচিংবা পোৎলমশিং চাদা ১৮ টেক্স লৌগদবা পোৎলমশিংগী মনুং চল্লে।

জি এস টি কাউন্সিলনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা ৱারেপ অমা লৌখিবগা লোয়ননা শুপ্নগী পোৎলম ৫০ খক্তদা জি এস টিগী চাং চাদা ২৮ লৌনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। হান্না চাদা ২৮গী চাংদা টেক্স লৌনবা থৌরাং তৌরম্বা ফায়র এক্সটিঙ্গ্যুইশর, ঘরি, ষ্টোব, ব্লেদ অমদি মেট্রেসতগী চাদা ১৮গী চাংদা টেক্স লৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা, জি এস টি কাউন্সিলনা কম্পোজিসন স্কিমগী শেনফম লুপা ক্রোর ১.৫ দা হেনগৎহল্লে হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রবনি।

# প্রদ্যুমান থাকুর মীহাৎকী মতাংদা হরিয়ানা পুলিসনা মরুওইবা খূদম চাংদম পূম্নমক মাঙহনখ্রে : সী বি আই

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা প্রদ্যুমান থাকুর কৌবা মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা থিগৎতুনা লাকখিবা গুরুগ্রাম পুলিসনা মরুওইবা খূদম চাংদম কয়ামরুম মাঙহনখিবগী খূদম ফংলে হায়না সী বি আইনা ফোঙদোকখ্রে।

সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়ননা র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মহৈরোয় অমা প্রদ্যুমান হাৎখিবগী মতাংদা মরাল শীখি।

গুরুগ্রামগী পুলিস কম্মিস্নর সন্দিপ খিরৱারনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা য়াওখিবা ওফিসলশিং কৌখৎলগা অশোয়বা পূম্নমক ময়েক শেংনা খঙহনখি। মীহাৎপা পুথোক্কবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা অশোয়বা থৌরাং লৌখৎখিবা মরম্না ইনভেষ্টিগেসনদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী মতাংদা পীখৎলকপা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সী বি আইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা গুরুগ্রাম পুলিসনা সী বি আইদা পীখৎখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট অদু মপুং ফাদ্রিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙ থাদা গুরুগ্রাম পুলিসনা হায়খিবনি মদুদি, র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমারনা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎলম্বা য়াবগী খূদম ফংলে। অশোক কুমারনা চহী নৌরিবা নুপামচা অদুদা নৎতবা লিচৎ চৎনবা হোৎনখিবগী খূদম ফংলে হায়নসু গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।

গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্ট পীখৎলকখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা প্রদ্যুমানগী ইমুং-মনুংদা হায়খি মদুদি, মীহাৎ অসিদা চেন্নে হায়বগীদমক ফারবা বস কন্দক্টর অশোক কুমার মরাল লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মরম অদুনা সী বি আইদা কেস অসি পায়হনগদবনি।

সী বি আইনা প্রদ্যুমানবু মশাগী চহী ১৬ শুরবা মহৈরোয় অমনা স্কুলগী এগজাম য়ৈথোক-হন্নবগীদমক হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোরকপদা অশোক কুমারগী ইমুং-মনুংনা হরাওবা ফোঙদোকখি। গুরুগ্রামগী জুভেনাইল জষ্টিশ কোর্টনা মশাগী চহী ১৬ লোম শুরবা মীওই অদু সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নি থম্নবা খঙহনখি।

প্রদ্যুমান থাকুরগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল সুশিল টেক্রিৱালনা হায়খি, চেন্নবা মীওইবু অহল অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা ট্রাইএল চত্থরগা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি। প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নে হায়বগীদমক স্কুল অসিমক্তদা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মীওই অমা সী বি আইনা ফাখিবনি।

# চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা য়ু পিগী অর্বান লোকল বোদি মীখলগী কেম্প্যেন অযোধ্যাদা হৌদোক্লগনি



লক্ষ্ণৌ, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা অর্বান লোকল বোদিগী মীখলগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা হয়েং অযোধ্যাদা মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোক্কদৌরি।

নবেম্বর ২২ দগী পাঙথোক্ক-দৌরিবা মীখল অসিবু মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা কয়া য়াম্না থাজবা থম্বগে হায়বগী চাংয়েং ওইনা লৌগদৌরি।

পনবা য়াবদি, অদিত্যনাথনা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মফমদা রামগী টেম্পল অমা শোয়দনা শারগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

করম্বা মতমদা রাম টেম্পল শানবগী উরেপ-উয়ুং তমগদগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, য়ু পিদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ১ মপূং ফারকপগা মপা চান্নানা রাম টেম্পল শানবগী উরেপ-উয়ুং তম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

হন্দক্তা টাজ মহলদা চৎতুনা শুমজিৎ পায়রগা ৱাই শীৎখিবগী থৌওং অদু মুস্লিম ফুরুপকা য়াশিন্নবা পুরক্কবগী অহানবা খোঙথাংলা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা অদিত্যনাথনা হায়খি, হিন্দু অমসুং মুস্লিমগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্কবগী খোঙথাংদি অযোধ্যাদগী অদুমক হৌখ্রবনি। অযোধ্যা অমসুং অগ্রা য়াওনা লম কোয়বশিংনা পাম্না লাকপা মফম পূম্নমক শেমগৎ-শাগৎপা হৌরগনি।

উত্তর প্রদেশতা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক হেনগৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ক্রিমিনেলশিং লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না পুলিসতা অহেনবা মতিক ময়াই শিন্ননবা ফিরেপ লৌরে।

# 'ইথন্তগী ৱাখলনা অযোধ্যাগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবনি'

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): স্পিরিচ্যুএল লীদর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা হায়খ্রে মদুদি, কনামক্তগী থৌইনশিন য়াওদনা রাম টেম্পলগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা পূম্নমক কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি।

নবেম্বর ১৬ তা অযোধ্যা চৎতুনা মরী লৈনবা পূম্নমক্কা ৱারী শানরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মমাঙ থাদা কোংগ্রেসনা রবি শঙ্করবু অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শানবগী মতাংদা গভর্ণ-মেন্টনা থাদোরকপা এজেন্টনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা রবি শঙ্করনা হায়খি, উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথকা উনরম্লবা মতুংদা মরী লৈনবা মীওই কাঙলূপ পূম্নমক্কা ৱারী শানদুনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা উত্তর প্রদেশ সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

রবি শঙ্করগী মফমদা থাজবা থম্লদুনা সিয়া ৱাকফ বোর্দকী লূচিংবনা হায়খি, লৈবাক্কী মীপুম খূদিংমক্কা ঈকায় খুম্নরিবা শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনননা অচার্য্য রাম দাস য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্বামি অমসুং ইমাম কয়াগা উনখ্রবা মতুংদা রবি শঙ্করনা ৱাশিম রিজবিগা উনদুনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদসু উত্তর প্রদেশকী সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাদগী খরা লাপথোকপা মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা অযোধ্যাগী মতাংদা ৱায়েনবগী রাইট লৈতে হায়না রাম টেম্পলগী ঈহৌগা মতম শাংনা লোয়নদুনা লাকখিবা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। রাম টেম্পল শানবগী ঈহৌদা শরুক য়াখিদবা মীওই অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙফম থোক্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# গুজরাটকী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্লগনি : নিটিশ কুমার



পাটনা, নবেম্বর ১৩(এজেন্সী): গুজরাটকী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকপদা থোইদোক্না খূদোংচাদবা মায়োক্লরোই হায়না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা লোক সম্বাদ থৌরমগী নাকোয়ননা পাউমীশিংগা উনখিবদা মহাক্না হায়খি, পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)বু ইন্দিয়াগী তৎন-থানদবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা লৌগদবনি। গ্রান্ট এল্লাইন্সতগী থোরক্লগা হন্দক্তা বি জে পিগা খূৎশম্নখ্রবা জে দি (য়ু)গী লুচিংবা নিটিশ কুমারনা হায়খি, য়ু পিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পূম্নমক অচুম্বা ওইনা থোক্লরে। গুজরাটকী মতাংদসু বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়রিবা ৱাফম অসি অচুম্বা ওইনা থোক্লরগনি।

অমরোমদা, গুজরাট অমসুং হিমাচল প্রদেশতা বি জে পিনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না উত্তর প্রদেশকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা কেসব প্রসাদ মৌরিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।


## PENSION PAYMENT ORDER BOOK LOST

**I, Shri Sh. Oken Singh, Retd. Section Officer, Gr. I, P.W.D, Manipur** had lost of Original Pension Payment Order Book in the journey from Imphal to Chandigarh on 10/11/2017.

Finders are requested to handover or contact below mobile number.

HL-P/087/14 — Contact : ☎ 8974141733

## ꯊꯕꯛ / JOBS WITHOUT DEPOSIT

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. Marketing Manager (M/F) | 10 | Graduate | ₹15000 to 30000 |
| 2. Asst. Marketing Manager (M/F) | 15 | 10+2 | ₹10000 to 15000 |
| 3. Security Guard (M/F) | 30 | VIII | ₹ 5000 to 7000 |
| 4. Field Executive (M/F) | 30 | Matric | ₹ 5000 to 10000 |

Interested candidates may kindly visit the office between 10:00 am to 5:00 pm for the application form @ ₹ 200.

☎ 7005707412
☎ 8415092124

MANAGER
**TIMES GROUP**
3rd Floor below Security Office
Near Sangai Hotel, Nagamapal

HL-P/090/14

Sahitya Akademi
North-East Centre for Oral Literature
**National Book Week**
**Book Exhibition cum Sale**
From 14-20 November 2017
At New Building School of Humanities Building
Manipur University, Canchipur, Imphal
10.00 am to 4.00 pm

HL-B/4213/14

## ꯊꯕꯛ / JOB OPENING

| Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. Assistant Manager | 1 | Graduate | Negotiable |
| 2. Cashier | 1 | Graduate | at the time of |
| 3. Recovery Officer | 8 | 10 & above | appointment |

➢ **N.B.:-** *Please bring full bio-data at the time of appointment.*
*Date of Appointment :* **16th November, 2017**
*For more details :* ☎ **7642825861**

*Sd/-* **Manager, K.M. Fin.**
*Address:* Kakwa Asem Leikai,
Near Oil Pump-795008

HL-P/530/14

## ꯊꯕꯛ / JOB VACANCY

**OFFICE OF THE IMPHAL TYRE RETREADS**
**(A FRANCHISEE OF MRF)**
***Chingmeirong, Opposite VISAL MEGA MART***

- *Name of Post* : **Accountant**
- *Salary* : **₹ 7,500/- (starting)**
- *Eligibility* : **B/Com + knowledge of tally**
- *Date of Interview* : **15/11/2017**
- *Timing* : **10 A.M.**

*Sd/-* **MANAGING DIRECTOR**
***Imphal Tyre Retreads***

HL-P/4733/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;**
**IMPHAL WEST - PATSOI**
***Ref:- Mut. Case No. 919/SDC/IW(P) of 2017***
Shrimati Wahengbam Kiranbala Devi W/o (L) Sanasam Kuladhaja Singh of Patsoi Part IV.
*-Petitioner*
-Vrs-
Late Sanasam Kuladhaja Singh S/o (L) S. Ibomcha Singh of Patsoi Part IV.
*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
13/11/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮০- পাৎসোইগী পাট্টা নম্বর ৮০/৫৭৯, ৬২০ (অরিবা), ৪৭১/১০০৪ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১৫৮/৪৩২ গী পোইন্ট ০.৩৫ একর চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/১১/২০১৭ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/089/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;**
**IMPHAL WEST - PATSOI**
***Ref:- Mut. Case No. 921/SDC/IW(P) of 2017***
1. Shri Mutum Kokngang Singh S/o (L) M. Shamu Singh of Patsoi Part -III.
2. Mutum Kanta Singh S/o (L) M. Shamu Singh of Patsoi Part - III.
*-Petitioners*
-Vrs-
Late Shri Mutum Shamu Singh S/o (L) Achou Singh of Patsoi Part -III.
*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
13/11/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮০- পাৎসোইগী পাট্টা নম্বর ৮০/৫৬৪ (অরিবা), ৩১৪ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২৯০ গী পোইন্ট ০.২৮৫ একর চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী কো: পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/১১/২০১৭ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/089/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR;**
**IMPHAL WEST - PATSOI**
***Ref:- Mut. Case No. 920/SDC/IW(P) of 2017***
1. Khangembam Manithoi Singh S/o (L) Mangi Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai.
2. –do– Ngouba Singh, S/o (L) Mangi Singh of –do–.
3. –do– Ningol Gambhini Devi, D/o (L) Kh. Abhimeinaya Singh of –do–.
*-Petitioners*
-Vrs-
Late Khangembam Mangi Singh S/o (L) Abhimeinaya Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai.
*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
13/11/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৪- শঙাইপ্রৌগী পাট্টা নম্বর ১১০ (অরিবা), ৫/২২৭ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৯১/৩৩০ গী পোইন্ট ০.১৯১ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মপু পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। অদুনা দংকারি নং (১) না অৱাংদা ০.০৮০৫ একর পানবীয়ু, দংকারি নং (২) না ময়াইদা ০.০৮০৫ একর অদুগা দংকারি নং (৩) না খা থংবদা ০.০৩ একর নমা পানবীয়ু মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/১১/২০১৭ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/089/14

## STAFF RECRUITMENT

Govt. of Manipur
Regd. No. 14/006/21/06926

| | | | |
|---|---|---|---|
| **DIRECT JOIN MICROFINANCE** | | | |
| 1. Reception, Computer Operator | 15 | X-Above | 4,500 - Above |
| 2. Field Officer, Loan Collector | 27 | X-Above | 5,000 - Above |
| 3. Cashier, Accountant | 8 | XII | 7,000 - Above |
| 4. Field Manager, Asst. Manager | 10 | Grad. | 10,000 - 15,000 |
| **DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING STAFF** | | | |
| 1. Account Sales Officer, Loan Officer, BDE | 26 | XII-Above | 12,000 - Above |
| 2. Operational Staff, sitting staff | 32 | Grad. | 18,000 - Above |
| 3. Relationship Manager, Sales Manager | 13 | Grad. | 20,000 - Above |
| **RESTAURANT, HOSPITAL, SCHOOL & OFFICE STAFF** | | | |
| 1. Nurse, Lab. Technician | 27 | —— | 4,500 - Above |
| 2. Waiter, Waitress | 15 | X-Above | 4,000 - Above |
| 3. Peon, Cook, Chowkidar | 20 | VIII | 5,000 - Above |
| 4. Data Entry, Attendant | 17 | X-Above | 5,000 - Above |
| 5. Driver, Grass cutter | 25 | VIII | 5,500 - Above |
| 6. Gunman, Supervisor | 15 | VIII | 8,000 - Above |
| 7. Security, Helper | 35 | VIII | 5,000 - Above |
| **VARIOUS POST VACANCY FOR AIRPORT** | | | |
| 1. Flight Attendant, Cabin Crew | 12 | XII | 45,000 - Above |
| 2. Cargo Executive, CSA | 18 | Grad. | 18,000 - Above |
| 3. Airport Plaza Staff, Retailer | 27 | X-Above | 15,000 - Above |
| 4. Ground Staff, VIP Lauge | 30 | XII | 12,000 - Above |
| 5. Air Ticketing, Air Anouncer | 31 | XII | 13,000 - Above |
| 6. Loader, Cleaner | 45 | XII | 8,000 - Above |

***JOB AT HOME earn upto 10,000 to 25,000/- per month. (Housewife, Student, Employed, Unemployed can also apply).***

**Interview Date : 25/11/2017 Last Submission : 24/11/2017**

☎ **9774487357**
☎ **8575340288**
**RIVALRY GUIDANCE CENTRE**
**Sagolband Thangapat Mapal**

HL-P/079/12,14,16,18,20,21,22